# অসামদা ওগষ্ট ৩১ দগী শাংথনা লোকদাউন থম্লবা য়াই

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সি):

কোভিদ-১৯গী কেস মশিং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপা মরম্না অসামদা ওগষ্ট ৩১ দগী শাংথনা লোকদাউন থম্লবা য়াই হায়না ষ্টেটকী চীফ সেক্রেটরি কুমার সঞ্জয় কৃষ্ণনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, মীয়াম্না লোকদাউনগী কাঙলোন ঙাক্না চত্তবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপা তারবদি তঙাইফদনা ওগষ্ট ৩১ গী মতুং তারপদা লোকদাউন থম্লকপা য়াই। ওগষ্ট ৩১ দা লোইশিনগদবা লোকদাউনগী মতম লোইরবা মতুংদা লৈঙাক্লা পায়খৎকদবা থৌরাংশিং খন্নবা হৌরে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মীওই অয়াম্বা মীয়াম তিনবা মফমদা ফেস মাস্ক উপ্পুনা থোরকপা থেংনৈ। করি মরমগী মীয়াম্না কাঙলোন ঙাক্না চৎত্রিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদে। নুমিৎ খুদিংগী কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মী ৭/৮ শিবগী থৌদোক থোক্লি। মীয়াম্না ফেস মাস্ক উপ্পবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী ফিভম লাকশিনবা ঙমদ্রবদি তঙাইফদনা লোকদাউনগী মতম শাংদোকহনবনি তাবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, ষ্টেট অসিগী অপুনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং লাখ ১ হেনখ্রে। অনৌবা কেস ২৫৬০ থেংনখিবগা লোয়ননা অপুনবা কেস মশিং লাখ ১ হেনখিবনি। নৌনা থেংনখিবা কেসশিংগী মনুংদা কামরুপ (মেট্রো)দা ৫৬২, জোর্হাটতা ১৬৭, কছারদা ১৬৫, দিব্রুগরদা ১৩৯ অমসুং হায়লাকান্দিদা কেস ১৩৫ থেংনখি।

হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা সেম্পল ৪০,১০২ টেষ্ট তৌখিবদা পোজিটিভ কেস ২৫৬০ থেংনখিবনি। হৌজিক ফাওবদা অনাবা মীওই ৭৯,৩০৭ ফিভম ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। অপুনবা এক্তিভ কেস ২১,৭৭১ লৈরি। ষ্টেট অসিগী ওইনা পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ৬.৩৮ ওইরি।

অমরোমদা, অসামগী তোঙান তোঙানবা জেলশিংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা মেন্টেল হেল্থ এক্সপর্টশিংগী টিম থানবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। জেল ৩১ দা লৈরিবা প্রিজনরশিংগী পুক্লিং ৱাখলগী ফিভম ফগৎহন্নবা সাইকিয়াট্রিষ্ট অমদি সাইকোলোজিষ্টশিংগী টিম থানবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

প্রিজন্স দিপার্টমেন্টনা মেন্টেল হেল্থ এক্সপর্টশিংগী টিম থাবিরক্লবা প্রোপোজেল অমা হোম অমদি পোলিটিকেল দিপার্টমেন্টতা মাঙজৌননা থাবা লৈখ্রবনি। এক্সপর্টশিং অদুনা জেলদা লৈরিবা মীওই পুম্নমক্কী পুক্লিং-ৱাখলগী ফিভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা থৌরাং কয়া লৌখৎকদৌরি।

জেলগী ওফিসল অমনা হায়খি, প্রিজনরশিংগী পুক্লিং-ৱাখল শোকচিল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎপা মথৌ তাই। প্রিজনর অয়াম্বা ইমুং-মনুংদগী মতম শাংনা লাপথোরক্লবা মরম্না খোইশাওনবা অমসুং ৱাখল চরাংনবগী ফিভম উবা ফংলে। কনাগুম্বা প্রিজনর খরদি জেল মনুংদা মশা মথন্তা শিজবা ফাওবা থেংনরে হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

# নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং ৩,৮৫১ শুরে

দিমাপুর, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সি):

নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৪৬ থেংনখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী অপুনবা কেস মশিং ৩,৮৫১ শুরে। ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা ষ্টেটকী হেল্থ মিনিষ্টর পি ফোমনা হায়খি, সেম্পল ৫৮২ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ কেস ৪৬ থেংনরে। নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মনুংদা কোহিমা দিষ্ট্রিক্তগী ৪৪, লোয়ননা ফেক অমসুং মোল দিষ্ট্রিক্তগী অমমম য়াওইরি। আই দি এস পিগী টিমনা মীওইশিং অদুগা নক্নরুবা অমদি লোয়নখিবা অতৈ মীওই পুম্নমক্কী খোঙ্গুল লীবা হোৎনরি।

ইরাই নুমিত্তা নাগালেন্দগী অনৌবা কেস ২১ থেংনখিবনি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অনাবা মীওই ১১৫ ফিভম ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। দিসচার্জ তৌখ্রবশিংগী মনুংদা দিমাপুরদগী ১১০ অমসুং কোহিমাদগী ৫ য়াওরি। হৌজিক ফাওবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা নাগালেন্দদা মীওই ৮ শিহনখ্রে হায়রি।

চৈরকসিদা, ত্রিপুরাগী মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টি সী পি আই-এমনা কোভিদ-১৯গী ফিভম লাকশিন্নবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্তা তকশিনখ্রে। ওপোজিসনগী লিদরসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সরকারনা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক্লা চিংননিংঙাই ওইবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীরগা টেষ্ট তৌদুনা লায়েংবগী থবক পায়খৎকদবনি। ষ্টেটকী মফম পুম্নমক্তা টেষ্টিং ফেসিলিটি কয়ামরুম হাংদোক্তুনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখিবদা মনিক সরকারনা হায়খি, লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা মতিক চাবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) শেমগদবনি অমসুং মীয়ামদা কাহেন্না অৱাবা পীরোইদবা মওংদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকপগা লোয়ননা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। হান্নগী চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা সী পি আই-এমগী এম এল এ ৬না শাবা টিম অমনা চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবকা উন্নদুনা ৱাফম কয়া পুখৎখি। হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফম ১০০ রোমদা লৈরিবা মীয়াম্না থেংনরিবা চাবা থকপা ফংদবগী অৱাবা পুম্নমক কোকহন্নবা হোৎনগদবনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ওইহল্লক্লিবা শেল-থুমগী ফিভম অসিগা মরী লৈননা লৈঙাক্কী মতিক চাবা থৌশিল অমা শেম্বা মতম ওইরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## ষ্টেটকী পাউ

# অসামদা মণিপুরী লোনবু ওফিসল এসোসিয়ট লেংগ্বেজ ওইহনবিয়ু হায়বা দিমান্দ শৌগৎখ্রে

ত্রিপুরা, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):

অসামদা মণিপুরী লোনবু ওফিসল এসোসিয়ট লেংগ্বেজ ওইহনবিয়ু হায়বা দিমান্দবু ত্রিপুরাগী মণিপুরীশিংনসু থম্মোয় শেংনা শৌগৎলি। দিমান্দ অসিবু মাংদা থল্লগা ত্রিপুরাদা ৱাকৎ খোঙজং চথরগনি হায়না মণিপুরী কাউন্সিল ত্রিপুরাগী জেনরেল সেক্রেটরি কে ধিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ত্রিপুরাগী শক্লাইরবা মৈতৈ মচা ৫রক এম এল এ ওইরম্বা এক্স মিনিষ্টর য়েলাম বিজিৎগী মথক্তা মশক খঙদবা মীওই খরনা লান্দারকখিবগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবগীদমক রধানগর মান্দোপ মমাংদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অমদা কাউন্সিলগী সেক্রেটরি কে ধিরেননা হায়খি, অসামদা মণিপুরী লোনবু গভর্নমেন্ট এসোসিয়ট ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহনবীয়ু হায়বা দিমান্দ অসিবু ত্রিপুরাগী মৈতৈশিংনা শৌগৎলি। দিমান্দ অসিদি ত্রিপুরাদা চহী ২০ রোমগী মমাংদগী দিমান্দ তৌদুনা লাকখ্রবনি। ত্রিপুরা গভর্নমেন্টনা মণিপুরীবু এসোসিয়ট ওফিসল লোন ওইনা শক খঙবীয়ু হায়না মহৈরোয় লূপনা দিমান্দ তৌবা লৈখ্রবনি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসননা অয়াবা পীরবা পীকখ্রবা সিকিম ষ্টেটতা গভর্নমেন্ট এসোসিয়ট লোল ১০ লৈ, ৱেষ্ট বেঙ্গলসু লোন ১২, ঝরখন্দদা লোন ১১ এসোসিয়ট লোন ওইনা শক খঙলবদি ত্রিপুরা, অসামদা য়ারোইদবা মরম লৈতে। ত্রিপুরাদা বেঙ্গলিগা কোকবোরোক গভর্নমেন্ট লেংগ্বেজ ওইরি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, অসামদা মণিপুরী লোন অসি য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা তম্নরিবনি। লোন অসিনা পি ঐচ দিসু লোইবা য়াওরিবনি। মণিপুরী মেদিয়ম লৈবগী মরম্না য়ুনিভর্সিটিদগী পি ঐচ দি লৌবা অমদি কোলেজদা ওজা ওইবা ঙম্লিবনি। অদুবু অসাম গভর্নমেন্টনা মণিপুরী লোন অসি মুখৎনবগী পান্দমদা গভর্নমেন্টকী থবক লৌবদা অসামিজ, বেঙ্গলি অমসুং বোদো খঙদবা য়াদে হায়না নোটিস থোকহনখি। নোটিস অদুগী মতুং ইন্না অসামদা মণিপুরী মচানা গভর্নমেন্টকী থবক ফংবগী উপাই লৈতে। মসিনা মরম ওইদুনা অসামদা চহী কয়ারোমগী মমাংদগী মণিপুরী মেদিয়মদগী তম্লকপা মণিপুরী মহৈরোয়শিং অৱাবা ফিভমদা তাররে। অদুনা অসামদা এ পি এস সী অমসুং অতৈ অতৈ গভর্নমেন্ট জোবকী অইবা চাংয়েংদা মণিপুরী লোন্না থাহনবা য়াহনবিয়ু হায়বা দিমান্দ তৌবগা লোয়ননা মণিপুরী অসি এসোসিয়ট ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহনবীয়ু হয়না অসামগী মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মায়ফা, নুপী লূপনচিংবা কয়ানা খোঙজং চথরক্লি। হৌজিক হৌজিক অসামদা ফোং-ফোং শারবা মণিপুরী লোনবু ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহনবীয়ু হায়বা দিমান্দ অসিবু ত্রিপুরাগী মায়কৈদগী শৌগৎপগা লোয়ননা দিমান্দ অসিবু মমাংদা থল্লগা ৱাকৎ মীফম তৌফম থোক্লি হায়বা ৱাফমসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## থবক শুবা হৌরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা ফুম্লৌ জি পি ৱার্দ নম্বর থ্রিগী জোব কার্দ হোল্দরশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি অয়ুক পুং ৮ রোম তাবদা ফুম্লৌ সিফাই ঈবুধৌ লাইগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে। ময়াং লাংজিং জিল্লা পরিষদকী মেম্বর কে শোহোদেবনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা জোব কার্দ হোল্দর ১৪৭ রোম্না শরুক য়াখি। মীফম অদুদা হৌজিক লৈরিবা থবকশিং মরু ওনা এস আই কেনেল অনী, সিংলিং হায়রিবা থবক অহুম অসি জোব কার্দ হোল্দরশিংনা থবক শুবা হায়না য়ান্নখি। ফুম্লৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ নম্বর ৩গী থবক ৩ অসি অথুবা মতমদা শুবা হৌরগনি হয়না জোব কার্দ হোল্দরশিংনা প্রেসকী খুত্থাংদা ফোঙদোরক্লি।

## দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট য়োনবা অমদি লৈরগা পুরকপা য়াওনা অহুম ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):

লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী এস আই কোন্থৌজম বিক্রমজিৎনা লুচিংবা টিম অমনা লিলোং কৈথেলদগী দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেটকা কোন্ননা মীওই অনী ফাবগা লোয়ননা মখোয়না থাদোরপদা দ্রগ য়োনবী নুপী অমসু ময়ুমদগী ফারে হায়রি।

ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা থৌবাল এস পিগী মীৎয়েং মখাদা লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী এস আই কে বিক্রমজিৎনা লুচিংবা কাঙবুনা লিলোং কৈথেলদগী অল্টো কার ( এম এন ০১ দব্লিয়ু ৯৮৬৬)গা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদুদি শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক মচিন্দগী খ্বাইরাকপম রাজেশ্বর (৩৫) অপোকপা কে ঐচ রামধোন অমদি উরিপোক য়াঙ্গেম লৈকাইদগী মোইরাংথেম অরুনকুমার (৩৮) অকোকপা এম প্রিয়োগোপালনি। মখোয়দগী দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৫৮ ফংলে। মখোয়না হায়দোরকপদগী দ্রগ য়োল্লম্বী নুপী অদুসু ফারে। মহাক্কী মমিংনা জুমেরা অবেম (৩৭) মপুরোইবা লৈখিদ্রবী এম দি হেলাল এলিয়স সিরাজ অহমদ কৌই। মহাক লিলোং কালেখোং ময়াই লৈকাইদা লৈবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা লিলোং পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

## ট্রক থোন্বদা নুপীমচা ১ শিরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা সিখোং চীংয়া লৈকাইদা লম্বীদা সাইকল থৌদুনা চৎলম্বী নুপীমচা অমা ট্রক অমনা থোন্বদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

লাইবক থীবা থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবী নুপীমচা অদুগী মমিংনা বেবি ইরেনা (১০) অপোকপা ইথেমচা কৌই। মহাক সিখোং চীংয়া লৈকাইদা লৈবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা ট্রক অদু পুলিসনা ফাবগা লোয়ননা কেস অমা লৌখৎখ্রে। থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদুনা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা পুলিসনা লৌখৎলগা জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

## কোভিদ-১৯গী টাস্ক ফোর্স শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):

য়াইস্কুল ভলন্টিয়র ওর্গনাইজেসনগী ফমখিবা মীফম অমদা মালেমগী ওইনা পেন্দেমিক ওইরবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ থেংনবদা খুদোংচানবা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স য়াইস্কুল কৌবা টাস্ক ফোর্স অমা শেমখ্রে।

নৌনা শেমখিবা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স য়াইস্কুলগী ওইনা সোরোকখায়বম ব্রাজমনিনা চ্যেরমেন ডা. এন সুশিলনা ভাইস চ্যেরমেন অমদি এল শান্তিবালানা টাস্ক ফোর্স অসিগী কনভিনর ওইরগনি হায়রি। লোয়ননা আর কে রঞ্জিৎ, লাইময়ুম রজিব অমদি লৌক্রাম কাপিলনা ওভর ওল ইন-চার্জ ওইদুনা ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদা থৌ পুগনি হায়রি।

এন জি নিলকান্তনা পুলিসলেন্দ মেন; ঐচ সচিন্দ্রনা চীংঙাখম লৈরক; আর কে ইমোসনানা হিরুংহনবা লৈকাই লেন্দ ৱান; দব্লিয়ু সালুস্ক (বুন)না হিরুংহনবা লৈকাই লেন্দ ৩; এল সুরচন্দ্র (অবুং)না বাবুপরা; এল টেন্দেননা পুলিস লেন্দ, টি ঐচ সৈত্যজিৎনা হিরুংহনবা লৈকাই লেন্দ ২; আর কে রোসন (অবো)না মোইবুং লোকপানচিংবা হায়রিবশিং অসিবু কো-কনভিনর ওইনা খনখ্রে।

## খোঙজং চঙশিনগদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকী মরক্তা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না পাঙথোক্কদৌরিবা জে ঈ ঈ-এন ঈ ঈ টি এগজামগী মায়োক্তা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ২ দা খোঙজং চঙশিল্লগনি হয়না এস এফ আই, এ আই এই এফ, এ আই এস এ, পি এস য়ু অমসুং এ আই এস বিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## সোসল সর্ভিস প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):

অনৌবা মঙাল য়ুঠ ক্লব, থৌবাল ময়াই লৈরক্লা শীন্দুনা টি এম সী ৱার্দ নম্বর ৯না কোনবা মফমদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চথরক্লবা সোসল সর্ভিস কম ট্রি প্লান্টেসন প্রোগ্রাম ঙরাং লোইশিনখ্রে।

নুমিৎ হুম্নি চঙনা ৱার্দ অসিগী অকোয়বদা মাস সোসল সর্ভিস, সোদিয়ম হায়প্রোক্লোরাইট কাপথোকপা, লম্বীগী অকুৎপা মফমশিংদা নুঙ থাদুনা শেমজিনবা অমদি লম্বীগী নাক য়েৎ অনীমক্তা হৈ-লৈ, উ চারা থাখিবা প্রোগ্রাম অদু লোইশিনবগী থৌরমদা সোসল ৱর্কর লৈতাঙ্খেম বসন্তা, টি এম সী ৱার্দ নম্বর ৯গী কাউন্সিলর ৱাইখোম ইবোচাওবা অমসুং ৱার্দ মেম্বর অকোইজম বীনাসু শরুক য়াখি। মতেং পাংবিরকখিবশিংবু ক্লবকী মায়কৈদগী অপনবসু ফোঙদোরক্লি।

ৱার্দ মেম্বর, ৱার্দ নম্বর ৯, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা মথংশিংনা থৌরম মপু ওইবিখি। নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অসিদা মতেং পাংবিরকখিবশিংসু ক্লবকী মায়কৈদগী থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

## হীদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):

কেক্রু দিভলপমেন্ট য়ুঠ ক্লব (কে দি ৱাই সী) অমদি সোসল ৱর্কর এল দোমেনগা খুৎশম্নরগা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা ৱাংখেম এ সীগী মনুং চনবা য়াইরিপোক কেক্রুগী লৈরক খুল্লক শীনবা থুংনা ঙসি মহিক হাৎনবা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপথোকখ্রে।

হীদাক কাপথোকপা অদুগা মরী লৈনবা ৱারোলদা কে দি ৱাই সীগী সেক্রেটরি সোরাইসম ইবুঙোনা হায়খি, খুন অসিগী ইমুং অমমমদা মীওই ৮ লৈবগী মনুংদা ৭ পুন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী মীচম-মীয়াম মীপাইবা ফাওনরে।

লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা পান্দমদা হীদাক অসি কাপথোকপনি। মীওই ৮গী মনুংদা অমা লৈহৌরিব অদুগীদমক্তসু ক্লব অসিনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রি।

## লান্না উবীদনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ‘সেন্টর ফোর মণিপুর ষ্টদি’ অসি এরিয়া ষ্টদি সেন্টর অমা ওইনা কুমজা ১৯৮৯দা লিংখৎখিবনি। য়ু জি সীনা স্পোন্সর তৌবা স্কিম অমা ওইনা, পাল্লিবা পোষ্ট অনী অসি সেঙ্কসন তৌখিবনি। য়ুনিভর্সিটি অসিনা রিক্রুটমেন্ট এদভর্টিজমেন্ট অমা কুমজা ২০০৮কী জন্যুৱারিদা থোক্তুনা নিয়মগী মতুং ইন্না কম্মিটি অমনা স্ক্রিনিং তৌরগা, এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী এপ্রুভেলগা লোয়ননা ডা. ভিজয়লক্ষ্মি ব্রারা অমসুং ডা. এ কোংরেং এপোইন্টমেন্ট পীখিবনি।

মরম অসিনা লৈবাক মীয়ায়মদা লান্না উবিদনবা খঙহঞ্জরি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী পব্লিক রিলেসন্স ওফিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## তুইথাপি ভিলেজদা নোংমৈ কাপ্পা থৌদোক্কী কেসতা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :

চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তুইথাপি ভিলেজদা থাসিগী ২৬তা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন্সকী অয়াবা থম্নরিবা মার পীপলস কনভেন্সন (ঐচ পি সী-দি) গী কাদরশিংনা মরম চাদনা নোংমৈ কাপ্পুনা খুলসিগী মীয়ামদা অকি-তুজং পোকহনখিবগী মায়োক্তা পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা মীওই ২ ফারে হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি মোলভাইফে ভিলেজদগী লালরেসরুট এলিয়স রেমা অমসুং রামচুল্লৌ ভাটেনি হায়রি। মখোয় ২ থৌদোকসিগা মরী লৈননা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৬৫ (৮) ২০২০ অন্দর সেক্সন ৪০০/৪৪১/৫০৬/৩৪ আই পি সী অমসুং আর্মস এক্টকী সেক্সন ২৫ (১-সি) গী মতুংইন্না ফাবনি হায়রি।

থৌদোক থোকখ্রবা মফম অসিদা ঙসি দি আই জি রেঞ্জ থ্রী কামৈ অঙম রোমানসনা দিষ্ট্রিক্ত পুলিসকী এস পি য়াওনা লাক্তুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে হায়রি। থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং অসি ঐচ পি সী (দি) এল সংঙা মার গ্রুপকী কাদরশিংনি হায়বগা লোয়ননা মখোয়না হৌখিবা জুন ২৪গী নুমিদাংদসু খুল অসিদা চঙলক্লগা ওটোমেটিক নোংমৈশিং শীজিন্নদুনা মরু কয়া কাপ্লম্বগী থৌদোকসু লৈখ্রবনি হায়রি। মরমশিং অসিদগী জেমি চিফস এসোসিএসন, জেনরেল হেদ ক্বার্টরগী মায়কৈদগী লালহৌ লুপ অসিগী লুচিংবা অসিবু চৈরাক পীনবা দিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদসু কমপ্লেন তৌখ্রে হায়রি।

## সী ক্যু সীশিং ক্লোজ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) :

লিলোং হাওরৈবী কোলেজদা হাংলিবা দিষ্ট্রিক্ত স্ক্রিনিং সেন্টর অসি ৱাংজিং কোদোম্পোকপীদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ত স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হোংলক্লবা দি সী থৌবালনা থা অসিগী ২৭তা ওর্দর অমা থোকখিবা অমদি কোভিদ-১৯গী মতাংদা অনৌবা এস ও পি অমা চৎননবা লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা থৌবাল অমদি খাঙবোক এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী ওইনা লৈরম্বা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টর (সী ক্যু সী) পুম্নমক ঙসিদগী লোইশিনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ত স্পোর্টস কমপ্লেক্স, ৱাংজিং কোদোম্পোকপীদা পাঙথোকখিবা এ সী অনী অসিগী ক্বারন্টিন সেন্টরশিংবু চল্লাইরম্লিবা ‘এন্টি কোভিদ-১৯ ক্বারন্টিন কম্যুনিটি সেন্টর খাঙবোক এ সী’ অমদি ‘থৌবাল কেন্দ্র কোভিদ-১৯ এইদ’ গী ভলন্টিয়রশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা অচম্বা লোইশিনবগী থৌরম অমদা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ সুর্য্যকুমার ওক্রমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা থা ৪/৫ রোম অসিদা এ সী অনী অসিগী তোঙান তোভানবা মফম ৩০ রোমদা ক্বারন্টিন সেন্টর হাংদোক্তুনা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসি লান্থেংনবদা শরুক য়াদুনা লাকপনি। মসিদা মীয়ামগীদমক কথোকপগা লোয়ননা মতেং পাংবীখিবা ভলন্টিয়রশিংবু এম এল এগী মায়কৈদগী অপেনবা ফোঙদোকখি।

কোভিদকী লান্থেং অসি খুদক্তা হেক্তা লোইগদবা লানফম অমদি নত্তবনা মখা তাবা মীয়ামগী খুদোংচাদবা কয়াদা এম এল এগী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংখিগনি। মসিদা এ সী অনী অসিগী ভলন্টিয়রশিংনা মতেং পাংবীগনি হায়বীরকপগীদমকসু এম এল এনা অপেনবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

## CROSSWORD-3545



**ACROSS**

- 1 Compos mentis (4)
- 3 Mixed (8)
- 9 Hermit (7)
- 10 Inflexible (5)
- 11 Derby venue (5)
- 12 Trig ratio (6)
- 14 Panegyric (6)
- 16 Infertile (6)
- 19 Large prawns (6)
- 21 Freshwater fish of the carp family (5)
- 24 Steady, dull and laborious routine (5)
- 25 Drinker (7)
- 26 Emphasised (8)
- 27 Religious song (4)

**DOWN**

- 1 Wizard (8)
- 2 Small cuts (5)
- 4 Horrible smell (6)
- 5 Desert haven (5)
- 6 Paint solvent (7)
- 7 Barmy (4)
- 8 Aromatic spice (6)
- 13 Pursued by the police (2,3,3)
- 15 More fortunate (7)
- 17 Brusque (6)
- 18 Small (6)
- 20 King with the golden touch (5)
- 22 Mixture of metals (5)
- 23 A long, long time (4)

**Solution 3544**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | A | N | C | T | U | M | ■ | F | E | M | U | R |
| P | ■ | E | ■ | O | ■ | A | ■ | R | ■ | E | ■ | I |
| E | A | G | E | R | ■ | L | E | O | T | A | R | D |
| E | ■ | U | ■ | N | ■ | A | ■ | S | ■ | N | ■ | G |
| D | I | S | C | A | R | D | ■ | T | W | I | N | E |
| U | ■ | ■ | ■ | D | ■ | Y | ■ | ■ | ■ | N | ■ | ■ |
| P | Y | T | H | O | N | ■ | A | M | I | G | O | S |
| ■ | ■ | H | ■ | ■ | ■ | A | ■ | I | ■ | ■ | ■ | I |
| B | R | O | T | H | ■ | V | E | N | I | S | O | N |
| R | ■ | U | ■ | U | ■ | O | ■ | A | ■ | I | ■ | U |
| O | R | G | A | N | I | C | ■ | R | O | D | E | O |
| A | ■ | H | ■ | C | ■ | E | ■ | E | ■ | L | ■ | U |
| D | I | T | C | H | ■ | T | A | T | T | E | R | S |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3344

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | | 3 | | | 9 | | |
| | | 5 | | 2 | | | | 7 |
| | | | 8 | 7 | | 4 | | 5 |
| | | 4 | | 5 | 2 | | | |
| | | 9 | | | | 1 | | |
| | | | 4 | 9 | | 5 | | |
| 5 | | 8 | | 1 | 3 | | | |
| 3 | | | | 8 | | 7 | | |
| | | 2 | | | 9 | | 1 | |

### Solution-3343

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | 7 | 9 | 6 | 5 | 1 | 3 | 4 |
| 6 | 9 | 1 | 4 | 2 | 3 | 7 | 8 | 5 |
| 3 | 5 | 4 | 8 | 7 | 1 | 2 | 9 | 6 |
| 2 | 4 | 3 | 5 | 9 | 7 | 8 | 6 | 1 |
| 1 | 8 | 5 | 6 | 3 | 4 | 9 | 2 | 7 |
| 9 | 7 | 6 | 1 | 8 | 2 | 4 | 5 | 3 |
| 4 | 6 | 9 | 7 | 5 | 8 | 3 | 1 | 2 |
| 5 | 1 | 2 | 3 | 4 | 9 | 6 | 7 | 8 |
| 7 | 3 | 8 | 2 | 1 | 6 | 5 | 4 | 9 |

কৈনু

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম



চীংলাইগী ফিরাক হায়বা, ইস !!
ফরে শিবা চঙবা ঐ চীংলাইগী ফিরাক থিবা চৎলগে।
কুতুবী ইবান্নি চীংলাই থিবা চৎসি লাকও।